## শুমাং লীলা নীংথম কুম্মৈ-২০২১-২২

# চাকথেকপী পার্টিগী 'ওল্লাং মৈশা' উৎখ্রে

নোমিতা খোংবান্তাবম



ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচএনএস) : মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিল (এম এস এস এল সী) না শীন্দুনা থা অসিগী ২০দগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা চথরল্লিবা শুমাং লীলাগী নীংথম কুম্মৈ, ২০২০-২২গী ঙসি মঙানি চল্লকপদা নহারোল খোঙথাং আর্টিষ্ট এসোসিএসন (চাকথেকপী পার্টি) গী 'ওল্লাং মৈশা' উৎখ্রে।

লীলা অসি রঞ্জিৎ অয়েকপমনা ইরগা মায়পাকসনা হাওরুংবমনা তাকপী তন্বীবনি। লীলাগী ৱারীদা ডাক্তর অমনা মপুরোইবগী তৌফম থোকপা থৌদাং তৌনীংদবা অমসুং মনীং তমজবনীংবা নুপী অমগা যুম পানমিন্নখি। মহাক্কী লোয়নবী অদু যুম পাল্লবসু মপুরোইবা অমদি মচাগী ৱাখল মহাক্কী যূম্বাল পুন্সিদা য়াওদনা যূম্বানবগী ৱাংমদা লৈবা নুপী ওইরকখি। মৌপ্পা নুপাগা মান্নরগা দ্রগ লল্লোনবদা মায় ওনশিন্দুনা বেঙ্গলোরদা তোয়না চৎখি। ক্লবতা লেনবা পুন্সি মহিং অমসুং য়ু অমদি জ গোয় হেন্না পামজখি।

পুন্নমকসিগী মথক্তা ইনখৎলল্লিবা নুপামচাশিংগা অরোনবা নুংশি মরী থমদুনা অহেনবা শাজৎ কয়ানা মচা অমসুং মপুরোইবগী ৱাখল খন্নবগী মতম লৈহনখিদবা নুপী অমা ওইরকখি। পুন্নমকসিদা মপুরোইবনা করিসু তৌবা ঙমদবশিং ময়েক শেংনা উৎলি অদুগা মচানুপীবুদি মতিক চাবা মী অমা ওইহন্নবগীদমক শেন্নবা অমসুং লাইরিক লাইশু তাকপী তন্বীনবা মীওই পাম্মী হায়দুনা পাউচে হাপ্পুনা কৌখি। এম এ লোইরগা লৈঙাক্কী থবক ফংদনা লৈরকপগী মথক্তা শেন্থোক লন্বী থিরিবা অমসুং মৌপ্পাগী মহৈ তন্বগী থৌদাং লৌরল্লিবা অমা লাকপদগী ডাক্তরগী মচানুপী শেন্নদুনা লাইরিক লাইশু তাকপী তন্বীবগী থৌদাং লৌরকখি।

ডাক্তরগী যূম্বান্দা নুপী য়াওদনা পানবা যূম্বান ওইরকপগী মথক্তা মচানুপী শেন্ননবা লাকখিবা মীওই বামোন ওইরম্বদগী ইমুং মনুংগী থবক ইনখাংদসু মতেং পাংখি। অঙাংদুগা লোয়নবদা মমাদগী হেন্না নুংশিবা পোল্লকপা কয়াদুনা অঙাংদুবু থাদোক্তুনা চৎপা ঙল্লকখিদে।

নাকল অমরোমদা ডাক্তরগী লোয়নবী অমসুং মহাক্কী মৌপ্পা দ্রগ লল্লোনবদগী ফাগৎখি। অসুম্মাইনা নুপীনা যূম পাল্লগা মচা অমসুং মপুরোইবদগী লাপথোক্তুনা অহেনবা পাল্লকপগী মচৎ কয়াবু লীলা অসিনা ময়েক শেংনা উৎলি। লোয়ননা অপোকপী মমাদগী য়োকচবী মমানা হেন্না অঙাংগী মীনুংশি ফংই হায়বদুসু উৎলি।

লীলা অসিদা নুপাগী শক্তম লাংখিবশিংদা ডাক্তর মঙালদা - কে ঐচ ধাকেশ্বর, চীংখৈদা-শ্যামচান্দ, অহাওবদা - রঞ্জন, শামুদা-জিতেন, ইবোতোম্বদা- রামচরন, পুলিস ইন্সপেক্টর অমগী শক্তমদা প্রেমজিৎ, ৱাংথোইদা- ঝলজিৎনি।

নুপীগী শক্তম লাংখিবশিংনা তম্ফাসনাদা - ধোলমনি, মায়পাকপীদা - ওকেশ্বর, থাজ দা - বিক্রমজিৎ (তুতু), লিংজেল থোইবীদা-রিকি অমসুং জেনিকাগী শক্তমদনা মোতি হৈঙাংনি।

লীলা অসিগী ঈশৈ নোংমাইগী কাঙলূপ্তুনা নুপা খোঞ্জেলদা- সুরজিৎ, নুপী খোঞ্জেলদা - বোমচা, কি বোর্দতা আর কে, তবলাদা ইবোমচা লংথবাল, গিটরদা সুরেল, বাঁসিদা শান্তি, পেদ দ্রমদা রোকিনিনি। লীলা অসিগী ঈশৈ ময়েক জে এস কোন্সমনা ইরগা ঈশৈগী লমজিংবনা হৱাইবম বুধিনি।

## রাজ মেদিসিটিনা...

*লামায় ১গী মখা...* খুদোংচাবশিংসু ফংহনখি। লোয়ননা ফ্রী মেগা হেল্থ কেম্প অসিদা নুপী অঙাং য়াওনা অপূনবা পেসেন্ট ২৫২ লায়েংখি হায়রি।

ঙসি ক্যাথা খুলদা রাজ মেদিসিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা ফ্রী মেগা হেল্থ কেম্প অসিগা মরী লৈননা লায়েংশঙ অসিগী চেয়রমেন অমসুং মেনেজিং দিরেক্টরসু ওইরিবা হাওবিজম রাজেনগী মায়কৈদগী অসিগুম্বা ফ্রী হেল্থ কেম্পশিং অসি মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু পাঙথোকখিগনি হায়রদুনা কেম্পশিং অসিদা মীয়াম্না মসিগী খুদোংচাবা লৌবীহৌ হায়নসু ফোঙদোকখি।

অ ঈং-অশাগী পাউ
খ্বাইদগী শাবা ৩৮.০৩°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৬.০২°C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.১৪
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৫.২৭
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৫৬

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 83.171698 |
| US Dollar | 77.655150 |
| British Pound | 97.016275 |
| Australian Dollar | 54.945698 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.642905 |
| Japanese Yen | 0.610305 |
| Malaysian Ringgit | 17.671035 |
| Singapore Dollar | 56.494483 |
| South Korean Won | 0.061393 |
| Saudi Arabian Riyal | 20.708040 |
| Thai Baht | 2.275059 |

## GAS NEWS

**KHORIPHABA NAMBOL BK.UPTO DATE**
Timing 6.30am to 10 am
Cont.no - 8787632782, 6009194940
**M/S BASHIKHONG INDANE BOOKING UPTo21/04/22**
VALID FROM14/04/22
HOME DELIVERY ONLY...
CONTACT NO. 9089709738 /9856398141
OFFICE TIMING 7.30AM TO 11AM WILL BE DELIVERY FOR 3DAYS.
**CANCHI INDANE SERVICE BOOKING UPTO 19/05/2022**
VALID FROM NIL
14kg,19kg & 5kg UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
KWAKEITHEL 6009600531
NAOREM LEIKAI 9863763938 & 7005352782
CONTACT TIMING 08.00 to 10.00am
**TANGLEI GAS OINAM**
V/f- 12-04-22
**B/upto - 15-04-22**
**Stock 306**
7am to 10am
**JRONGMEI SK INDANE WANGOI**
**Booking upto 08/04/22**
Valid from 01/04/22
**Stk 306**
Timing-6am to 9am.
Home Delivery (Contact no.8119073029/8974426830)
**SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK**
**BOOKING UPTO 03-04-2022**
VALID FROM 26-03-2022
**STK 306**
TIME 7:00 -11:00
HOME DELIVERY DATE 25-05-2022
CONTACT NO - 7005695308 6009772483
**M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE**
**BOOKING UPTO DATE**
Time: 11 am to 2 pm
Any enquiry and booking
Contact no. 7629045883
**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
**Booking-- Upto Date(14.2kg)**
*****19kg Available**
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM..
**M/S K&K INDANE SERVICE,**
Home delivery only
**BOOKING UPTO DATE**
20 days gap from last delivery
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE & MAYAI LAMBI-9362663937/9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.

## শিরুই লিলি ফেষ্টিবেলগী...

*লামায় ১গী মখা...* খুদিংমক্লা অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়খি।

ঙসি চৎখিবা সাইকল রেল্লি অসিদা শরুক য়ারিবা নহাশিং অসি ময়াই কাবা চিঙাক শীজিন্নদবা, থৌনা ফবা, মপাঙ্গল কনবা, লৌশিং চাওবা অমদি মণিপুরসি অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন পুরক্লবা অমদি ইং-তপ্পা লমদম অমা পুরক্লবা হোৎনবগা লোয়ননা অকোয়বগী ফীভম কায়হন্দনা থম্নবা হোৎনরিবা সাইকল থৌবা টিমনি হায়রি।

## শিজ আই ক্যের ফাউন্দেসননা মীৎকী কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস) : শিজ আই ক্যের ফাউন্দেসননা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী লৈত্রাম ৱারোইচীং য়ুথ দিভেলপমেন্টক্লবকা খূৎশম্নদুনা ঙসি লৈত্রাম ৱারোইচিংদা ফ্রী আই স্ক্রিনিং কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অসিদা মীৎকী প্রোব্লেমগা মরী লৈনবা পেসেন্ট ৭১, কেটরেক্ট ৪ অমসুং টেরিজিয়ম ৭ দাইগ্নোসিস তৌখি। অদুগা শিজ আই ক্যের ফাউন্দেসনগী ডাক্তর অমসুং ষ্টাফশিংনা পেসেন্টশিংবু এগজামিনেসন তৌখি। মীৎকী প্রোব্লেমশিং লৈবা পেসেন্টশিং এন পি সী বি (এন ঐচ এম/সী এম ঐচ টি/পি এম জে এ ৱাই) গী মখাদা লায়েংগনি হায়রি।

# মিনিষ্টর লৈশাংথেম সুসিন্দ্রোগী এসেটকী ...

*লামায় ১গী মখা...* লৈখি। তরেৎশুবদা ইম্ফাল অর্বান কো-ওপরেটিভ বেঙ্কতা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ৪ ফাওবদা লুপা ৪,৭৭৯ লৈখি। নিপানশুবদা ইলেক্সন এক্সপেন্দিচরগীদমক হাংখিবা পঞ্জাব এন্দ সিন্দ বেঙ্কগী একাউন্টদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ৪ ফাওবদা লুপা ৫,০০০ লৈখি। লোয়ননা মহাক্কী লোয়নবী লৈশাংথেম ওংবি বেমবেমগী এস বি আইগী একাউন্টদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ৪ ফাওবদা লুপা ২,২৩০,২৮ লৈখি। অনিশুবদা পঞ্জাব এন্দ সিন্দ বেঙ্ককী একাউন্টদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ৪ ফাওবদা লুপা ১১,৪৯৫ লৈখি। লোয়ননা মিনিষ্টর লৈশাংথেম সুসিন্দ্রোগী মীংদা ঐচ দি এফ সী লাইফ এস্যুর প্লসতা লুপা ৭,০০,০০০ ইনভেষ্টমেন্ট তৌখি হায়রি।

মহাক্কী ওইনা কুমজা ২০২২দা মেনুফেকচর তৌবা লুপা ২০,১৫,৭৫৮ লোমগী মমল ওইগদবা এম জি হেক্টর কার অমা লৈখি। কুমজা ২০১৮দনা চাওরাক্লা লুপা ২৪,৭০,৭৭৮ লোম ওইগদবা টোয়োটা ফোরচুনর (বি পি) অমা লৈখি। লোয়ননা মহাক্কী মীংদা চাওরাক্লা লুপা ৫,০৯,৬০০ লোম ওইগদবা সনা গ্রাম ১১২ লোম লৈ। অদুগা মহাক্কী লোয়নবীগী মীংদনা চাওরাক্লা লুপা ৩,৮৬,৭৫০ লোম ওইগদবা গ্রাম ৮৫গী গোল্ড চেন অমা; চাওরাক্লা লুপা ২,৪৩,৪২৫ রোম ওইগদবা সনা গ্রাম ৫৩.৫০গী ইয়র রিং অমা; চাওরাক্লা লুপা ২৮,২১০ লোম ওইগদবা সনা গ্রাম ৬.২গী খুদোপ অমা; চাওরাক্লা লুপা ৩৫,৪৯০ লোম ওইগদবা সনা গ্রাম৭.৮গী খুদোপ অমা; চাওরাক্লা লুপা ৪৪,৫৯০ লোম ওইগদবা সনা গ্রাম ৯.৮কী খুদোপ অমা; চাওরাক্লা লুপা ৩৮,৯০২ রোম ওইগদবা সনা গ্রাম ৮.৫৫কী খুদোপ অমা লৈ। লোয়ননা চাওরাক্লা লুপা ১,৪৯,১৪৯ লোম ওইগদবা সনা গ্রাম ৩২.৭৮গী খুজি অমা; চাওরাক্লা লুপা ১,৪৭,৮৭৫ লোম ওইগদবা সনা গ্রাম ৩২.৫০গী খুজি অমা; চাওরাক্লা লুপা ২,০৬,৭৫২ রোম ওইগদবা সনা গ্রাম ৪৫.৪৪গী খুজি অমা লৈ হায়রি। মহাক্কী মীংদা .৩২গী রিভোলভর অমা অমদি এস বি বি এলগী লাইসেন্স গন পুন্না অনী লৈ। লোয়ননা মহাক্কী লোয়নবীগী মীংদনা দি দি বি এল অমসু লৈ হায়রি।

মহাক্কী এগ্রিকলচর লেন্দদা তখেলদা একর ১.৫৯ অমদি তোপ দুসরাদা একর ১.২০ লোম পাকচাওবা লম লৈ। নন-এগ্রিকলচর লেন্দা স্কৱার ফিট ৮১৪৫৭.২; স্কৱার ফিট ৩৪৪১২.৬ অমদি স্কৱার ফিট ৩৫২৮৩.৬ লোম পাকচাওবা লম অহুম তখেলদা লৈ। রেসিদেন্সিএল বিল্ডিংগী মীংদা স্কৱার ফিট ৪৪৮৬.৬৮; স্কৱার ফিট ২০০৩.৭৬; স্কৱার ফিট ৭০০.০০৯২ অমদি স্কৱার ফিট ১৩০৩.৭৫০৮ লোম পাক চাওবা খুরাই সাজের লৈকায়দা পুন্না লম মরিনি। লোয়ননা মহাক্কী কুমজা ২০২০-২১গী লাষ্ট ইনকম টেক্স রির্টন ফাইলগী রিপোর্টকী মতুংইন্না টোটেল ইনকম অসি ১১,১৮১,৩০ ওইখি। লোয়নবীগীসু চহী অসিমক্তদা টোটেল ইনকম অসি লুপা ৪,৮৬,৫৮০ লৈখি। মিনিষ্টর লৈশাংথেম সুসিন্দ্রোগী মথক্তা পেন্দিং ক্রিমিনেল কেস অমত্তসু লৈতে হায়না এফিদভিটকী চেরোল অদুদা হায়রি।

# নুমিৎ ১১নিগী মতুংদা পোজিটিভ কেস ১ থেংনরে

*লামায় ১গী মখা...* তৌখিবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী নুপী অমা কোভিদ পোজিটিভ ওইবা থেংনরকখিবনি।

অনৌবা কেস অমা থেংনবদগী হৌজিক এক্টিভ কেসসু ১ লৈরে। অদুম ওইনমক হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ষ্টেট লেভেল কোভিদ-১৯ দেথস ওদিট কম্মিটিগী রিপোর্ট মতুংইন্না লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মীওই অমত্তগী পুন্সি মাঙখিদে। মরম অসিনা হান্নদগী লায়না অসিনা লৈখিদবা অপূনবা মীশিং ২১২০ অদুদগী হেনগৎত্রি। অদুবু নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী এক্টিভ কেস অমত্তা লৈরকখিদবনা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা পোজিটিভ কেস অমা থেংনরবসু ঙসিগী ওইনা দিসচার্জ তৌখিবা মীওই য়াওখিদ্রি। অদুগা হৌজিক ফাওবদা থেংনবা অপূনবা পোজিটিভ কেস মশীংনা ১,৩৭,২৩১ শুরে। মসিগী মনুংদা মীচম মীয়ামগী মশীংনা ১,৩২,২১৭নি অদুগা মপান্দগী লাকপা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৫,০১৪নি। অপূনবা ফগৎলকখ্রবা কেস মশীংনা ১,৩৫,১১০নি। মসিগী মনুংদা মীচম মীয়ামগী মশীংনা ১,৩০,১০৩ ওইরগা মপান্দগী লাকপা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৫,০০৭নি। হৌজিক ফাওবদা লৈরিবা নাবা ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৯৮.৪৫ লৈরি।

অমরোমদা, লায়না অসিবু মায়োক্লনবা লেপ্পুনা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুং চন্না ঙরাং ফাওবদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা হেল্থ ফেসিলিটি শিংদা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী অপূনবা মশীংনা দি টাইপ ২০, বি টাইপ ৬২নি হায়রি। অদুবু এক্টিভ কেসকী মশীং অমত্তা লৈতনা জিরোদা লৈরবনা জেনিমস অমসুং রিমসতা কোভিদ পেসেন্টশিংগীদমক অখন্ননা খাক্তুনা থম্লল্লিবা ফমুংশিং মথংশিংনা ১০০ অমসুং ৪৭তসু পেসেন্ট অমত্তা লৈত্রে।

অদুগা ঙরাং খক্তদা মীওই ১৩৭৬ হীদাক কাপথোকখিবা থারগা হৌজিক ফাওবদা পূন্না হীদাক কাপথোকখ্রবা মীওইশিংগী মশীং ২৮,৮৫,২৩৮ শুরে। মসিগী মনুংদা অহানবা দোজ কাপথোল্লবা মীওইশিংগী মশীংনা ১৫,৬৭,১৯৭নি অদুগা অনীশুবা দোজ কাপথোল্লবা মীওইশিংগী মশীংনা ১২,২৩,৮৩৩নি। অদুগা প্রিকোস্নরি দোজ কাপথোল্লবা মীওইশিংগী মশীংনা ৯৪,২০৮নি হায়রি।

ঙরাং মে ২৩, ২০২২ ফাওবদা মণিপুরগী অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা লৈখিবা হীদাক কাপথোল্লবা অপূনবা মীশিংগী চাংনা বিষ্ণুপুর - অহানবা দোজ ৭৩.৮৫, অনীশুবা দোজ ৬০.৮৬, চান্দেল অহানবা দোজ ৭৬.২১, অনীশুবা দোজ ৬৭.৩১, চুড়াচান্দপুর অহানবা দোজ ৬২.৬৪, অনীশুবা দোজ ৫৬.৯০, ইম্ফাল ইষ্ট অহানবা দোজ ৭৬.০৯, অনীশুবা দোজ ৬৪.১৯, ইম্ফাল ৱেষ্ট অহানবা দোজ ৭৭.৭৪, অনীশুবা দোজ ৬৭.৬৯, সেনাপতি অহানবা দোজ ৩৫.৯১, অনীশুবা দোজ ৩০.৮৫, তমেংলোং অহানবা দোজ ৪৪.৩১, অনীশুবা দোজ ৩৪.৮৫, থৌবাল অহানবা দোজ ৬২.২৭ অনীশুবা দোজ ৫০.৯৮, উখ্রুল অহানবা দোজ ৪২.০৪, অনীশুবা দোজ ২৫.৪২, তেংনৌপল অহানবা দোজ ৪৯.৪২, অনীশুবা দোজ ৩৭.৫১, কাংপোকপী অহানবা দোজ ২২.৭৩, অনীশুবা দোজ ১৭.২২ কামজোং অহানবা দোজ ৩৮.৪৮, অনীশুবা দোজ ২৯.৮৮, জিরিবাম অহানবা দোজ ৭৩.১৬, অনীশুবা দোজ ৬১.৬৭, ফেরজোল অহানবা দোজ ৩৬.২৩, অনীশুবা দোজ ৩৮.৩৬, নোনে অহানবা দোজ ৪৩.৫৪, অনীশুবা দোজ ৩৪.৬৭, ককচীং অহানবা দোজ ৭৮.৩০, অনীশুবা দোজ ৬৭.৫১নি হায়রি। অদুগা মণিপুরগী ওইনা অপূনবা কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপথোকখিবা মীওইশিংগী চাংনা চাদা ৬১.৮৩নি অদুগা অনীশুবা দোজ কাপথোল্লবশিংগী চাংনা চাদা ৫১.৯৭নি হায়রি। লোয়ননা কোভিদ কন্ট্রোল রুমগী টোল ফ্রী ফোন নম্বরনা ১৮০০-৩৪৫৩-৮১৮নি হায়রি।

# এম এল এ প্রেমচন্দ্রদা রিটন...

*লামায় ১গী মখা...* কেস অসিগা মরী লৈননা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা কোর্টনা ইস্যু তৌখিবা নোটিসশিং অদুগী পাউখুম ওইগদবা রিটন ষ্টেটমেন্টশিং পীরক্লবগী মতম পীখিবনি। লোয়ননা কেস অসিগী মখা তাবা প্রোসিদিংগীদমক মেট্টর অসি মথং থাগী ১৪দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখিবনি।

পনবা য়াবদি, ঙরাং কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী অপূনবা রেসপোন্দেন্ট পূন্নমক্তা কোর্টকী মায়কৈদগী ইস্যু তৌখিবা নোটিস য়ৌহনবগী থবক কোর্টকী রেজিষ্ট্রিনা পীরকপা রিপোর্টকী মতুংইন্না মপূং ফানা পাঙথোকখ্রে হায়না লৌবা য়ারে হায়নসু কোর্টনা থমখি।

পাঙথোকখ্রিবা মীখল অদুগী মতাং য়াওনা পিটিস্নরগী মায়কৈদগী মহাক্লা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন অসিদা তোঙান তোঙানবা চার্জশিং তৌরকখিবনি।

অমরোমদা হন্দক পাঙথোকখিবা মীখল অদুগী রিজল্ট লাউথোক্লবা মতুংদা মায় পাল্লক্লবা অপূনবা এম এল এ ৬০গী মনুংদগী ২৯গী মথক্তা ফাইল তৌনরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন ৩৬কী মনুংদা য়াওরিবা ১৭- লমশাং এ সীগী এম এল এ সোরোকখাইবম রাজেন অমসুং অতোপ্পা মীওই ৩গী মথক্তা মীখল অদুদা মঙোন্দগী শুপ্পতগী ভোট ৪০০ খক্তং হন্থনা ফংখিবা এন পি পিগী মীরেপ ওইখিবী পুখ্রম্বম সুমতিনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ৩ ওফ ২০২২ অমসুং ৫১-সাইতু (এস টি) এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিদগী কারকখিবা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ হাওখেলেট কিপগেন অমসুং অতোপ্পা মীওই ৪গী মথক্তা বি জে পিগী কেন্দিদেট ওইখিবা ঙমথং হাওকিপনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ৩৩ ওফ ২০২২গী অনীরকশুবা প্রোসিদিংনা হয়েং জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী বেঞ্চতা চত্থনবগীদমক লিষ্ট তৌখ্রে।

## সেক্সন ১৪৪ থমখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...*অথিংবা অসিনা মরম ওইরদুনা মফম অসিদা লোনা য়াদবা থবক ওইহল্লক্তনবগীদমক মীওই ৫ নৎত্রগা ৫দগী হেন্না পূনবদা অথিংবা থমখ্রে। লোয়ননা মীশি মীনা থোকহন্নবগীদমক খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবা য়াবা চৈ, নূঙ, লাইসেন্স য়াওদবা নোংমৈ অমসুং অতৈ পোৎলমশিং পুথোক পুশিন তৌবদসু অথিংবা থমখ্রে।

পনবা য়াবদি, ঙরাং লমগী চয়েৎনবা মানবা থৌওংদা খাংসিম অমসুং লাইচীং খুল অনীগী খুঞ্জাশিংগী মরক্তা অনৌবা কৈথেল অমা শঙ্গানবা হোৎনরকপগী ৱাহৌদগী খূৎ থোক্লদুনা অশোক অপন য়াওখিবা থৌদোক থোকখ্রবনি।

## শেঞ্জা থুমজা তৌরম্বদগী পঞ্জাবকী ...

*লামায় ১গী মখা...* মহাক্লা চাদা ১/১গী চাংদা কম্মিসন লৌরম্বনি হায়রি।

মসিগীদমক মহাকপু মিনিষ্টর ফমদগী লৌথোক্লগা মহাক্কী মথক্তা মোহালিদা লৈবা ফেজ ৭ পুলিস ষ্টেসননা প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্টকী সেক্সন ৭ অমসুং ৮গী মখাদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলে। কেস অসিগী এফ আই আর নম্বরনা ৬৫নি। লোয়ননা মহাকপু কেস অসিগা মরী লৈননা পুলিস ষ্টেসন অসিনা ফারবা মতুংদা কোর্টতা পুথোক্লগা পুলিসকী মায়কৈদগী ঙসিদগীনা থা অসিগী ২৭ ফাওবা নুমিৎ ৪নিগী রিমান্দ লৌখ্রে হায়রি।

মিনিষ্টর বিজয় সিংলানা চথরল্লিবা থৌওং অসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর ভগৱন্ট মাননা ফোঙদোকখিবদা মিনিষ্টর অসিনা চথরল্লিবা শেঞ্জা থুমজাগী থবক অসিগীদমক মহাক্কী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌরদুনা মহাকপু কেবিনেট মিনিষ্টরগী ফমদগী লৌথোকপনি। মহাক্লা শেঞ্জা থুমজা তৌরল্লে হায়বসিগী চপ চাবা খুদম চাংদম ফংলে। মসিগী মতাংদা ওপোজিসনগী মায়কৈদগী খুদোংচাবা লৌরকপা য়ারোই। মরমদি মহাক্লা লুচিংবা পঞ্জাবকী লৈঙাক অসি থা ২ খক্তা ঙাইরিঙৈদা অসিগুম্বা থৌদোক থোক্লকপদগী করপসনগী মায়োক্তা লেপ্পল্লিবা লৈঙাক্লা মহাকপু পন্থবা তৌদনা লৌথোকপনি হায়খি।

এ এ পিগী নেসনল কনভিনরসু ওইরিবা দেল্লীগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালগী মায়কৈদগীসু শেঞ্জা থুমজাদা চেন্নবা মীওইশিং লেম্না থারোই হায়বগী ৱাফম য়াম্না ময়েক শেংনা লৈরিবনি। লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা কুমজা ২০১৫দা মহাক্কী দেল্লী লৈঙাক্তগী মিনিষ্টর অমসু করপসনগী চার্জদা লৌথোকখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টর ভগৱন্ট মাননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মিনিষ্টর ফমদগী লৌথোকপদা নত্তনা পুলিসনা ফাদুনা মখোয়গী কষ্টদিদা থন্নবা মিনিষ্টর বিজয় সিংলানা মহাক্লা তৌরুবা অরানবা থবকশিং অদু মশানা য়াজরে হায়খি।

পনবা য়াবদি, পঞ্জাবকী মান্সা এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিদগী চহী ৩০গী মতুংদা ভোট মশীং খ্বাইদগী য়াম্না ফংদুনা কারকখিবা সিংলানা মিনিষ্টর ওইরকপা এম এল এ ওইরিবনি।

## মণিপুরবু হিল ষ্টেটনি লাউথোকউ...

*লামায় ১গী মখা...* হায়রদুনা হন্দক বি জে পিনা মণিপুরবু অশংবা লমদম ওইহন্নবা উ থাবগী চঙশিল্লল্লিবা খোঙজং অসি পার্টিগী খেন্নবা থমদনা অফবা থবকনিনা পূনশিন্নদুনা থবক পায়খৎপা অথুবা মতমদগী হৌরগনি হায়খি। চীংদা খুন্দারিবা চীংমীশিংনসু ঙসিদগীনা চহী ৫ ফাওবদি চীংশিংদগী নাপী ফাওবা কোকথোকপীগনু হায়খি। ঙসিগী পাউমীশিংগা উন্নবা থৌরম অদুদা পার্টি অসিদা নৌনা য়াওরক্লবা মীওই মঙাবুসু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

# টি দি সীগী আপীল দিষ্ট্রিক্ট জজনা দিসমিস তৌখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...*জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুনা আপ্লিলেন্ট ওইরিবা ট্রান্সপোর্টরস এন্দ দ্রাইভরস কাউন্সিলগী প্রসিদেন্টনা ফাইল তৌরকখিবা সিভিল আপীল অদুগী মতাংদা পল্লদুনা হায়, সিভিল আপীল অসি রেজিষ্ট্রার, ত্রেদ য়ুনিয়ন মণিপুরনা নবেম্বর ২৫, ২০১৯দা থোকখিবা ওর্দর নম্বর এল এ বি/১৯/২০১৯ (ত্রেদ য়ুনিয়ন)/২১০দা আপ্লিলেন্টনা প্রসিদেন্ট ওইরিবা টি দি সীদা পীরম্বা রেজিষ্ট্রেসন নম্বর ৯৭৯ অদু ৱিথদ্রো/কেন্সেল তৌখিবগী মায়োক্তা ফাইল তৌরকখিবনি।

অদুগা টি দি সীগী রেজিষ্ট্রেসন নম্বর ৱিথদ্রো/কেন্সেল তৌখিবা অদুনা কাউন্সিল অসিনা ফাইল তৌরল্লিবা আপীল অসিগী প্রাইভেট রেসপোন্দেন্ট (রেসপোন্দেন্ট নম্বর ২) ওইরিবা ইম্ফালগী এম জি এভেন্যুদা হেদ ওফিস ওইরিবা ট্রান্সপোর্টরস এন্দ দ্রাইভরস কাউন্সিল, মণিপুরগী প্রসিদেন্টনা রেজিষ্ট্রার, ত্রেদ য়ুনিয়ন মণিপুরদা ফাইল তৌখিবা কমপ্লেন্ট অমগী মতুংইন্ননি হায়বসিনি।

এম জি এভেন্যুদা লৈরিবা টি দি সীনা কমপ্লেন্ট তৌরকপদগী আপ্লিলেন্টগী কাউন্সিলদা পীরম্বা রেজিষ্ট্রেসন সর্টিফিকেট নম্বর ৯৭৯ অদু ৱিথদ্রো/কেন্সেল তৌরে হায়দুনা ৱাকৎলকপগা লোয়ননা রেজিষ্ট্রার, ত্রেদ য়ুনিয়ন মণিপুরগী ওর্দর অদুবু চৎনহন্দনা থন্বীয়ু হায়জরকখিবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক কোর্ট অসিনা দিসেম্বর ১৮, ২০১৯দা মিসেলিনস সিভিল আপীল নম্বর ১৬ ওফ ২০১৯ অসিগা মরী লৈননা আপীল অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংদা নোটিস ইস্যু তৌখিবগা লোয়ননা নবেম্বর ২৫, ২০১৯দা রেজিষ্ট্রার, ত্রেদ য়ুনিয়ন মণিপুরনা থোকখিবা ওর্দর অদু থবক ওইনা পাঙথোক্তনবা ষ্টে তৌদুনা থমখিবনি।

আপীল অসি কোর্ট অসিদা পন্দুনা লৈরিঙৈদা প্রাইভেট রেসপোন্দেন্ট ওইরিবা এম জি এভেন্যুগী টি দি সীগী মায়কৈদগী কোর্ট অসিদা জুদিসল মিসেলিনস কেস নম্বর ৫ ওফ ২০২০ ফাইল তৌরক্তুনা কোর্ট অসিনা দিসেম্বর ১৮, ২০১৯দা পীখিবা রেজিষ্ট্রার, ত্রেদ য়ুনিয়ন মণিপুরগী নবেম্বর ২৫, ২০১৯গী ওর্দর অদুবু ষ্টে তৌখিবা দিরেক্সন অদুবু চৎনহনবীদনবা অমুক হন্না হায়জরকখিবনি। মসিদগী আপ্লিলেন্ট ওইরিবা কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায়দা লৈরিবা টি দি সীগী মায়কৈদগীসু জুদিসল মিসেলিনস কেস নম্বর ১৫ ওফ ২০২২ অমুক্কসু ফাইল তৌরকখি হায়রি।

অদুম ওইনমক কোর্ট অসিনা আপীল য়াওনা মরী লৈনরিবা কেস অনীগা পূন্না লৌখৎতুনা খন্নরকপগী চহীসিগী ফেব্রুৱারী ১৯, মার্চ ২৮, এপ্রিল ৬, ১৩, ২৯ অমসুং থা অসিগী ৭তা হিয়ারিংশিং পাঙথোকখি। হায়রিবা নুমিৎশিং অসিদা কোর্টনা মেট্টরশিং অসিগী হিয়ারিং পাঙথোকখিবদা সিভিল আপীল নম্বর ১৬ ওফ ২০১৯গী ওফিসল রেসপোন্দেন্ট ওইরিবা রেজিষ্ট্রার ওফ ত্রেদ য়ুনিয়ন, মণিপুরগী মায়কৈদা গভর্ণমেন্ট এদভোকেট এ নিলচন্দ্রনা লেপখি। অদুগা রেসপোন্দেন্ট নম্বর ২ ওইরিবা এম জি এভেন্যুগী টি দি সীগী মায়কৈদনা কাউন্সেল এ রোমেনকুমার অমসুং আর কে বানানা লেপখি।

কোর্টনা পার্টি পূন্নমক্কী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায়দা হেদ ওফিস ওইরিবা টি দি সীগী সিভিল আপীল নম্বর ১৬ ওফ ২০১৯ অদু দিসমিস তৌরে হায়না লাউথোকখিবনি। মরমদি কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায়দা লৈরিবা টি দি সীগী মায়কৈদগী রেজিষ্ট্রেসন তৌনবা হোৎনখিবদা এম জি এভেন্যুদসু টি দি সী অসিগা চপ মান্নবা ট্রান্সপোর্টরস এন্দ দ্রাইভর কাউন্সিল কৌবা অমা লৈরে হায়বসি লোৎশিনখি হায়বসিনি।

থৌওং অসিমক মণিপুর ত্রেদ য়ুনিয়ন এক্ট, ১৯২৬কী সেক্সন ১০গী মখাদা নমথাক তৌবনি হায়না লৌবগা লোয়ননা কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায়দা লৈরিবা টি দি সীদা পীরম্বা রেজিষ্ট্রেসন অদুমকসু নমথাক তৌবগী মরমনা কেন্সেল তৌখিবনি হায়রি।

মসিদা নত্তনা কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায়দা লৈরিবা টি দি সীদা পীরম্বা রেজিষ্ট্রেসন ককপগী অতোপ্পা মরম অমনা রেজিষ্ট্রারগী ওফিসতা মাঙজেনৈনা খঙহল্লমদনা টি দি সী অসিগী ওফিস হোংদোক হোংজিন তৌরম্বনি হায়বসিনি। মরম অসিনা কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায়দা হেদ ওফিস ওইরিবা ট্রান্সপোর্টরস এন্দ দ্রাইভরস কাউন্সিলগী প্রসিদেন্টনা কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরকপা মিসেলিনস সিভিল আপীল নম্বর ১৬ ওফ ২০১৯ অসি দিসমিস তৌরে হায়না দিষ্ট্রিক্ট জজনা মহাক্কী ওপন কোর্টতা লাউথোকখিবনি।

# চুড়াচান্দপুর পুলিসনা সমন পীবদা লাকখিদবা ডা. মার্ক দেল্লীদা...

*লামায় ১গী মখা...* মহাকপু চুড়াচান্দপুর পুলিস ষ্টেসননা মহাক্কী মথক্তা লৌখৎখিবা কেস এফ আই আর নম্বর ১৭ (২) ২০২১ অন্দর সেক্সন ১৫৩-এ আই পি সীগী মতাংদদি পনখিদে।

অদুম ওইনমক মহাকপু চুড়াচান্দপুর পি এসকী ও সীনা থা অসিগী ২১দা পীখিবা সমনদদি কেস অসিগা মরী লৈননা মহাকপু থা অসিগী ২২গী অয়ূক পুং ১১ তারকপদা পুলিস ষ্টেসন অসিদা শোয়দনা লাক্লবা খঙহনখিবনি। করিগুম্বা পুলিসকী সমন অসিগী মতুংইন্না মহাক লাক্রুবদি মহাক্কী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা লিগেল এক্সনশিং লৌখৎকনি হায়নসু খঙহনখিবনি। অদুবু মহাক সমন অসিগী মতুংইন্না পুলিস ষ্টেসন অসিদা লাকখিদে। মসিগী মহুত্তা মখোয় মশা মশানা মহাক্না লোয়নদুনা লৈমিন্নবনি হায়জবা 'টুগেদর ৱিথ মার্ক' হায়বা মীওইশিংনা থা অসিগী ২২দা চুড়াচান্দপুর পুলিস ষ্টেসনগী গেটতা থোমজিল্লক্তুনা মহাকপু পুলিস ষ্টেসন অসিদা লাক্লবা পীখিবা সমন অদু চৎনবা য়ারোই অমসুং ডা. মার্ক থাংমাং হাওকিপনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু কন্সটিট্যুসননা পীবা মহাক্কী ফ্রীদম ওফ স্পিচকী ফন্দামেন্টেল রাইটকী মনুং চন্ননি হায়না প্রোটেষ্ট তৌখিবা লৈখিবনি। থোমজিল্লকখিবা মীয়াম অদু দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি শ্রিভানন্দ সুর্ভেনা লুচিংদুনা টিয়র গ্যাসনচিংবা কাপ্পুনা কন্ট্রোল তৌখিবনি।

অমরোমদা, ইন্টরনেসনল হ্যুমেন রাইটস এসোসিএসনগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটিগী মায়কৈদগী থোরকখিবা চেরোল অমনসু ডা. মার্ককী মথক্তা লৌখৎলিবা কেস পূন্নমক রিভোক তৌগদবনি হায়বগী ৱাফম ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

করিগুম্বা মঙোন্দা পীরিবা সমন অমসুং মহাক্কী মথক্তা লৌখৎলিবা কেসশিং অসি খুদক্তা ৱিথদ্রো তৌদ্রবদি আই ঐচ আর এ অমসুং মসিগী সপোর্টরশিংনা অকনবা খোঙজংশিং মণিপুর খক্তা নত্তনা লৈবাক অসিগী মফম পূন্নমক্তা চঙশিল্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈখিবনি।

চৈরকসিদা পনবা য়ারিবনা, মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসকী আই এস-১ দিভিজন (ভি আই পি সিক্যুরিটি সেক্সন) দগী চীফ সেক্রেটরি অমসুং দি জি পিদা ডা. মার্ককী মোলনোমদা লৈরিবা য়ূমদা পুলিসকী মায়কৈদগী মোবাইল সিক্যুরিটিগী কভরেজ পীননবা খঙহল্লকপা লৈখিবনি। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী খঙহল্লকখিবা ৱাফম অদুগী মতুংইন্না দি জি পি, মণিপুরগী মায়কৈদগীসু চুড়াচান্দপুরগী এস পি য়াওনা মরী লৈনবা পুলিস অমসুং হোম দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংদা এপ্রিল ২০, ২০২২দা অইবা চেরোল পীদুনা এম ঐচ এনা খঙহল্লল্লিবা ৱাফম অসিগী মতুংইন্না থবক পায়খৎনবা খঙহনখিবা লৈখিবনি।

এম ঐচ এগী ৱাফম অসি আই ঐচ আর এগী প্রসিদেন্টনি হায়রিবা ডা. মার্ক টি হাওকিপতা কিহন-খংহনবা লৈরে হায়বদগী খঙহল্লকপনি হায়নসু ফোঙদোরকখিবনি।

KINGDOM EDUCATIONAL INSTITUTE™
N·S·D·C National Skill Development Corporation
Transforming the skill landscape
Recognised by Ministry of Corporate Affairs, Govt. of India
An ISO 9001:2015 Certified Institute
Special Class for X, XI, XII Appeared Students
IT & SKILL COURSES
Computer (NIELIT)
Spoken Hindi
Spoken English
AVIATION COURSES 2nd Batch –10th Jun, 22
Cabin Crew
Ground STAFF
Get trained under the Supervision of Sir Naobi Loitongbam
21 yrs Teaching Experience • 1 Mth in Myanmar / Burma as a Trainer • Multiple Schools & Colleges • 2 Mths at AIR (All India Radio) Imphal
3 mths at IT Call Centre as a Trainer (Sponsored by SAT, Govt. of Manipur) As an English Language Trainer (Sponsored by UGC)
www.kingdomeduinstitute.com 7005622203 / 8837407726
Kingdom Office, IIIT Building (1st Floor)
Old Lambulane, Opp. GP Women's College
HL-B/7620-24April to 22 May(alt.)